

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস



Tuesday, April 27, 2021, Imphal

Page 11


ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা য়ুরোপ অমসুং অর্জেন্টিনাগী টুর অদুদা টিম অসিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী শেম শানবগীদমক্তা হোৎনরকপা হীরম খূদিংমক্তা অচৌবা কান্নবা ফংখি হায়না ফোঙদোকখিবা নহা ওইরিবা ভিভেক সাগর প্রসাদ

কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকপা অসিগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থৌরমশিংদা মশাগী লাকপা ইনকম পুন্নমক কথোক্তুনা ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লিবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গোল্ফ শান্নরোয় কৃশিভ কে এল তেকচান্দনি

## রন য়াম্না লৌনখিদবা মেটচতা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা পঞ্জাব কিংসপু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে



অহমেদবাদ, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি গুজরাটকী কোনুং অহমেদবাদতা লৈবা নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২১শুবা মেটচতা রন য়াম্না লৌনখিদবা লম্বা অমদা কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা পঞ্জাব কিংসপু ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী বোলরশিংনা ফজবা হেনবদগী পঞ্জাব কিংসকী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৯ আউট তাহল্লগা রন ১২৩ খক লৌহনখি।

পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী ইন্নিংস হৌরকপদা কে এল রাহুল অমদি ময়াঙ্ক অগরৱালনা রন ৩৬ ফাওবা খোঙজেল য়াঙনা পুখৎলকখি। অদুবু রাহুল রন ১৯দা আউট ওইখিবদগী পঞ্জাব কিংসকী ফীভম শোকচিনবা হৌখি। নৌনা চঙলকখিবা খৃস গেল রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা অহানবা বোলদা আউট ওইখি। ময়াঙ্ক অগরৱালনা বোল ৩৪দা রন ৩১ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। অমরোমদা টিম অদুগী ৮শুবা বেটসমেন খৃস জোর্দাননা বোল ১৮দা রন ৩০ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোরদা চাওনা মতেং পাংখি।

কোলকাটা নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী বোলর প্রসিধনা ৱিকেট ৩ অমদি কম্মিন্স অমসুং নরেননা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা মায় পাক্লনবা রন ১২৪ লৌনবা হোৎনরকপদা হৌরকপদা ফীভম শোকখ্রবসু রাহুল ট্রিপাথি অমদি ইয়োন মোর্গাননগী ইন্নিংস অদুনা টিম অদুবু মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিনখি। রাহুল ট্রিপাথি বোল ৩২দা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৪১ লৌবা ঙমখি। অদুগা ইয়োন মোর্গাননা আউট ওইদনা বোল ৪০দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৭ লৌবা ঙমখিবা অদুনা টিম অদুগী মায় পাকপগী অচৌবা লম্বেল অদু ওইহনখি। কোলকাটা নাইট রাইদর্সনা ওভর ১৭কী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১২৬ লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৫দা থোইখি।

## মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টোটেনহাম হোটস্পরবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা কেরাবাও কপ টাইটল ৪রক থংননা লৌবা ঙমখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মরুওইবা ক্লবকী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কেরাবাও কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টোটেনহাম হোটস্পরবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ক্লব অসিগী ওইবা পুৱারীদা টাইটল অসি চহী ৪রক থংন-থংননা লৌবা ঙমখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টাইটল অসি লৌখিবগা লোয়ননা টিম অদুগী মেনেজর পেপ গ্বার্দিওলাগী ওইনা সিজন অসিদা অহানবা টাইটল অদু খূদোল তম্বা ঙমখি।

কেরাবাও কপ অসিগী সেমীফাইনেল মেটচ অনী চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবনি। অহানবা সেমীফাইনেল অদু জন্যুৱারী ৫দা শান্নখিবদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ব্রেন্টফোর্দপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। অদুগা জন্যুৱারী ৬তা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা য়ূমলোন্নবা ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-০দা থোইরগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কেরাবাও কপকী ফাইনেল মেটচ অদু লন্দনদা লৈবা ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা মেঞ্চেষ্টর সিটি অমদি টোটেনহাম হোটস্পরগী টিম অনীনা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। কোভিদ-১৯গী কাঙলোনগী মতুংইন্না ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা কেরাবাও কপ ফাইনেল মেটচ অদু ভাবোক ৮,০০০ লোম্না মীৎয়েং তাবা ঙমখি। মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী হৌরকপদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খূদোংচাবা খরা ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতমসু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদা পুশিল্লকপা বোল অমা থিংলকপদা কাঙলোন ৱাংমা ওইখিবা মরম্না ফ্রী কিক্তা এমেরিক লাটপোটেনা ৮২ শুবা মিনটতা কিক্ অদু পাঞ্জল ওন্থোল্লগা টাইটল লৌখি।

## লিলনা লিওনবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা মকোক থোংবা ঙমখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা লৈবা গোপামা ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লিলনা লিওনবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু লিওননা য়ূম্বু ওইখিবনি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা লিলগী দিফেন্স লাইন নমখায়দুনা মেক্সেন্স কাকিরেটনা পাস তৌরকপা বোল অমদা টিমমেট ইস্লাম স্লিমানিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা লিলবু মখোয়না মাঙজিল থাখি। লিল পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রিঙৈ শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা লিওনগী মায়কৈদগী জেসে ফোন্টেনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাফ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা লিলগী মায়কৈদগী বুরাক য়িলমাজনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা হাফ অদু ১-২দা লিল শোথদুনা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা লিলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা বুরাক য়িলমাজনা য়াম্না ফজবা বোল অমা ফংবদগী লিওনগী পেনাল্টি এরিয়াদা ইন্থোরকখিবদা টিমমেট জোনাথন দেবিদনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা অমুক লৈরকখি।

শান্নবগী লেমহৌবা পুংখায় অমগী মতম ফাজিল্লক্রবদা মখা তানা এটেক হেন্না চথুরকখিবা লিলগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা অমদি অনীশুবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লাই তৌবা ঙমখিবা বুরাক য়িলমাজনা মহাক্কী শান্নমিন্নরোয় য়ুসুক য়াজিসিনা পীরকপা বোল অমদা ৮৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না লিওনবু ৩-২দা থোইদুনা লীগ ৱানগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৭৩ ফংলগা পি এস জিদগী পোইন্ট ১ হেল্লগা মাঙজিল থারি।

## অটলান্টানা বোলোগনা থোইখ্রে, রোমা কাগ্লিয়ারিগী মখূৎতা মায়থীহৌরে

রোম, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা অটলান্টানা বোলোগনাবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা রোমা কাগ্লিয়ারিগী মখূৎতা পাঞ্জল ২-৩দা মায়থীহৌরে।

অটলান্টাগী টিমনা য়ূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ জেৱিশ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সেরি এগী ৩৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোলোগনাগা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ২০ লোমদি পাঞ্জল চন্নখিদে। ২২শুবা মিনটতা অটলান্টাগী লুই মুরেলনা খায়রকপা বোল অমদা টিমমেট রস্লান মারিনোবস্কিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। শান্নবগী মখা চথুরকপা ৪৪শুবা মিনটতা লুই মুরেলনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু ২-০দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপগী মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা পাঞ্জল ২ মাঙজিল থাদুনা লৈরবা অটলান্টাগী মায়কৈদগী রেমো ফ্রুলরনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। বোলোগনাগী টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনবদা কান্নবা অমত্তা ফংদনা লাকখি। মরিশুবা পাঞ্জল অদু অটলান্টাগী মায়কৈদগী অহুমশুবা পাঞ্জল চল্লবা অদুগী মতুং মিনট ২গী মনুংদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রস্লান মালিনোবস্কিনা পীরকপা বোলদা দুবান জপাটানা পাঞ্জল চন্দুনা ৪-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা মখা তানা ফজবা হেনখিবা অটলান্টাগী মায়কৈদগী জোকিম মেলেনা পীরকপা বোলদা অলেক্সি মিরানচুকনা টিমগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা এ সী মিলান অমদি য়ুভেন্টসতগী হেল্লগা পোইন্ট ৬৮ ফংদুনা ইন্টরগী পোইন্ট ৭৯ দগী পোইন্ট ১১ শোথরগা অনীশুবদা লৈরি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা রোমাগী টিম কাগ্লিয়ারিনা ৩-২দা থোইখি। মায় পাক্লবা কাগ্লিয়রিগী টিম হান্না ১৮শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক ১ হাইগৎলগা ১৭তা লৈখি।

## লালিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী লীদর এটলেটিকো মাদ্রিদপু এথলেটিক বিলবাওনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে, সেভিয়ানা গ্রানাদাবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালিগাগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদপু টেবল অসিগী তংখায় চন্দুনা লৈরিবা এথলেটিক বিলবাওনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা, সেভিয়ানা গ্রানাদাবু মায়থীবা পীদুনা ৪শুবা পোজিসনদা অদুম্মক লৈবা ঙম্লি।

এথলেটিক বিলবাওনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ সান মামেজ বারিয়া ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ ৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী এলেক্স বেরেঙ্গুরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এটলেটিকো মাদ্রিদপু অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী পুংখায় অমা ফাজিল্লকপা মতুং শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মায়কৈদগী য়ানিক করাস্কোনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা টিমমেট ষ্টেফান সাবিকনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী লোইশিল্লকপা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈ এথলেটিক বিলবাওগী মায়কৈদগী ইবিয়া গোমেজনা পীরকপা বোলদা ইনিগো মার্টিনেজনা পাঞ্জল ১ চল্লগা এটলেটিকো মাদ্রিদপু এথলেটিক বিলবাওনা ২-১দা থোইরগা বিলবাওগী টিম হান্না ১২শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ১০শুবদা হাইগৎপা ঙমখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ৩৩শুবা মেটচ অমদা সেভিয়া অমসুং গ্রানাদা লম্বা তৌনবদা সেভিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী ১৬শুবা মিনটতা ইভান রাকিটিকনা পাঞ্জল ঙন্না চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা সেভিয়াগী মায়কৈদগী অলিজান্দ্রো গোমেজনা খায়রকপা বোলদা লুকাসনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ৯০ শুবা মিনটতা গ্রানাদাগী রোবর্টোনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি।

## অম্ফানা মকোক থোংবা টিম মশক খঙদোক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমগী মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসন ১১দা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী মকোক থোংবা দিভিজনশিংদা মায় পাক্তুনা লৈরিবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টিম অদু মশক খঙদোক্তুনা ২৪শুবা থাংজম বিরচন্দ্র মাইপাকপী মেমোরিয়ল ৱিন্নর্স কপ ২০২১ শরুক য়ানবগীদমক্তা মে থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়ানবা মমিং থাগৎলক্কদবনি হায়না মখা তারক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 92

**IM Rozman, Levy (2343) - IM Grunberg, Mihai-Lucian (2401)**
**Titled Tuesday 1st Sept chess.com INT (6), 2020.09.01**

1.e4 Nf6 2.e5 Nd5 3.c4 Nb6 4.a4 a5
5.Ra3 d6 6.exd6 cxd6 7.Rg3 g6 8.h4 h5
9.Nc3 Nc6 10.d4 Bg7 11.Nf3 Bg4 12.Be3 Rc8
13.Be2 O-O 14.b3 e5 15.d5 Ne7 16.Rxg4 hxg4
17.Ng5 Nf5 18.Bxg4 Nxe3 19.fxe3 Rc7 20.Nce4 f5
21.Ne6 Qe7 22.Nxc7 Qxc7 23.Ng5 fxg4 24.Ne6 Qe7
25.Qxg4 Rf5 26.Qxg6 Qf7 27.Qg3 Nd7 28.h5 Kh8
29.h6 Bf6...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 91 Ans. :**

**21.** h3 Bxf3 **22.** Qxf3 Qh2+ **23.** Kf1 Rd2 **24.** Rxd2 Rxd2
**25.** Qa8+ Kg7 **26.** Ke1 Rxf2 **27.** Bd3 Qg1+
**27.** ...Qh1+ **28.** Bf1 Qxf1# **28.** ...Rxf1+
**28.** Bf1 Qxf1# **28.** ...Rxf1+
**21.** ...Bxf3 **22.** Qxf3 Qh2+ **23.** Kf1 Rd2 **24.** Rxd2 Rxd2
**25.** Ke1 Rxf2


Resonance®
Educating for better tomorrow

LIVE-VIDEO LEARNING PROGRAM (LLP) CENTRE
A TOP Coaching Institute from KOTA, Rajasthan
Now in IMPHAL

Live Video Classes from Experts of Kota
Physical Classes from Subject Expert of Kota
Study Materials from Resonance, Kota

COURSES OFFERED
- 1 Year NEET/ JEE (Main+Advanced) from Class XII > Starting Last Week of April, 2021
- 2 Year Foundation Course for Class IX > Starting Last Week of April, 2021
- 1 Year Foundation Course for Class X > Starting Last Week of April, 2021
- 45 Days Crash Course for NEET 2021 > Starting 10th June 2021

Registration Open now for 100 Seats

For Further Inquiry:
Visit: Nachom Edu Foundation
(An authorised LLP Partner of Resonance Eduventures Ltd. Kota, Rajasthan)
3rd Floor, S.I. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
Call: 9402979552 / 8794961535

HL-P/9651/19-28/4

OFFICE OF THE
YAIPHARE GROUP OF FINANCE
(Y.G. FINANCE)
H.O. CHINGMEIRONG NEAR EASTERN MOTOR
IMPHAL EAST – MANIPUR

Be a winner of Rs. 20 Lakhs
Lucky Draw Rs. 1 Lakh
Starting From 15th May, 2021
Monthly Rs. 4000/-
Lottery Cum Tender

Urgently Wanted 50 Agents
Agents will get monthly income Draw Timing : 2 :00 p.m.

For more details Plize Contact
Office timing 9:30 a.m to 4:00 p.m.
Contact No. 7642042874, 9362147856

Sd/-
Manager
Yaiphare Group of Finance

HL-B/6847/12/3-11/4 (alt)